# আৰ্টকী লম অসিদদি দিসিপ্লিন য়াওদ্রগদি চন্নফম লৈতে-সোরোখাইবম রোবিন্দ্রো



লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা পাম্নরিবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোরম অমা ওইরিবা শুমাং লিলা অসিগী য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরিবা নুপী শাবীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমুক পনলুদ্রগসু মীপুম তিংনা খংনরবা ঙাক্লি ! অসিগুম্বা থৌদাং চাওবা নুপী শাবীশিংগী মনুংদা মতম শাংনা মাই পাক্লা ফেমেল এক্টর অমা ওইনা মখল মখা কয়াগী মান্নদবা কেরেক্টর রোলদা ভাবকশিংগী পুক্লিং ৱাখলবু হুমদুনা পুবা ঙমবাতা নত্তনা ডারেক্টর অমা ওইনা খুমাং চাওশলক্লিবশিংগী মনুংদা সোরোখাইবম রোবিন্দ্রোসু অমা ওইরি।

ইং ১৯৬০ গী মার্চকী তারিক ১ দা লংথবাল মখা লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা এস মহাদেব অমদি মাইপাক দেবী অনিগী মচা ১১গী মনুংদা ৮শুবা ওইনা তাইবং দা খোঙদারকখিবা সোরোখাইবম রোবিন্দ্রোনা ‘‘খামনু ৮২’’ হায়রিবা শুমাং লিলা অদুদা খামনুগী শক্তম লাংখিবা অদুবু ঙসি ফাওবা মীয়ামনা খমনু শাবী হায়না শোন্নরি। মসিদা নত্তনা ‘‘২১শুবা সেঞ্চুরি কুন্তি’’ সেরিজ, ‘‘সনাগী ঙা’’ নচিংবা শুমাং লিলাশিং মীয়ামগী লৈতোনদাা লৈরিবা লিলা ঙাক ওইরি।

য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবা, লিলা, দ্রামা নচিংবদা থৱায় য়াওজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকপা শক্লানইরবা অসিনা, হায় স্কুল তমলিঙৈ মতমদা শৈরেং থিবা, দেবেটিংনচিংবা কয়া লোইননা ৱান এক্ট প্লে নচিংবা কয়াদা শরুক য়ারকদা নত্তনা মনা-মথুম কয়াসু ফংলকখি। আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টসতা নত্তনা মহৈ-মশিং তম্বদা চংখোনবা ছাত্র অমা ওইনা হৌরকখিবা শক্লাইরবা অসিনা দিএম কোলেজ ওফ আর্ট এন্দ কম্মর্সতা পিয়ু তম্বা মতম অদুদা মীশিং য়াম্বা ইমুং ওইবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকখি। লংথবালদগী ৱাহেং লৈকায় ফাওবা মতমদুগীী এমএসটিকী বাসতা লুপা ১ পীদুনা তোংদুনা লাক্লগা খোঙনা দিএম কোলেজ ফাওবা চৎপাগী নুং শিরবা ৱারি শিংবুল কয়ানি। বাসতা হনগৎ-হন্দাগী চৎনবগী লুপা ২ ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা মতাং য়াওরক্তবা নত্তে, মদুনা মরম ওইদুনা পিয়ু পারিক্ষা নঙদদুনা লেপখিবদগী অমুক হন্না থাদোক্লে হায়বগী ৱাখল খন্নবা তাঞ্জা ফংখিদ্রে ! ইং ১৯৭৯ শক্লাইরবা অসিগী শুমাং লিলাগী কেরিয়র হৌদুনা কম্যাখিয়া সঙ্গিট মন্দল হায়রিবা শুমাং লিলাগী দোল অসিদা নুপী শাবী অমা ওইনা ‘‘থাদোই’’ হায়রিবা প্লে অসিদা শক্তম লাংখি। মতমদুদা, নিংহন্নবা পোকপা ফিদবেক কয়া লাকপদা নত্তনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফাওবা ফজদবা, তাদবা নুংঙাইতবা ৱাহে কয়া তাবা ফংখি। অদুবু, নিং খিবদা হোংবা লৈত্তবা শক্লাইরবা লিলারোই অসিগী পর্ফোমেন্স খৌরাংনা ঙাইরিবা ভাবকশিংগীদমক তুং হন্না অমুক য়েংলুবা তৌদনা মাং লোমদা খোঙ থাংজিনবা হৌখি।

মতমদুগী শক্লাইরবা গুরু খোঙমন অচৌবী, ময়ুরধাজন নিংথেমজাও, বিরজিৎ ঙাঙোম্বা নচিংবা শক্লাইরবা কয়াদগী ফংজ খিবা মমল নাইদ্রবা পাউতাক কয়া ফংখি। লোয়ননা মতমদুগী শুমাং লিলা দোল কম্যাখিয়া সঙ্গিট মন্দল, টাইম ষ্টার আর্টিষ্টস য়ুনিয়ন, ৱার্ল্ড আর্টিষ্টস এসোসিয়েসন, ইম্ফাল জত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসন, নোর্থ ইম্ফাল মণিপুর জত্রা মন দল, মৈতৈ লৈমা জত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসন, পিস মেকর আর্টিষ্টস এসোসিয়েসন কয়াগী শক্তম লাংবী অমা চংশিনলকখিবা শক্লাইরবা অসিনা ঙসি- ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্টস এসোসিয়েসনগী লিলারোই (শক্তমলাংবী) অমা ওইনা লৈরি। শুমাং লিলাগী শক্লাইরবা আর্টিষ্টস অসিনা হৌজিক ফাওবদা চাওরক্লা লিলা ২০০ গী মথক্তা মাই পাক্লা শক্তম লাংবী অমা ওইবা ঙমখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা শক্লাইরবা অসিনা লেপ্পা লৈতনা তৌরকপা দানবু শকখংবীদুনা লুপ কয়ানা মনা-মথুম কয়া পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে!

ইহান হানবা ওইনা ৱার্ল্ড আর্টিষ্টস এসোসিয়েসনগী আর্টিষ্টস অমা ওইনা ‘‘থাসি পুর্নিমা’’ হায়রিবা প্লে অসিদা বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্ড ফংখি। ষ্টেট কালা একাদেমীনা শিন্দুনা ১৯৮০ দা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেলদা ‘‘মেধাপাটি’’ শাবদা বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্ড ফংখি।



ইং ১৯৮৪ দা ‘‘লৈকং থম্বাল’’ হায়রিবা শুমাং লিলা অসিদা ‘‘সুসিলা’’ গী কেরেক্টরদা বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্ড ফঙখি।

‘‘প্রাত্তাগী প্রতিমা’’ দা প্রতিমা শাবদা ইং ১৯৮৬ দা, ইং ১৯৮৭ ‘‘তামহৌরবা খুঙ্গং’’ দা লাং লেন শাবদা, ‘‘সনালৈবাক’’ তা মঙ্গল্লেমা (১৯৮৯) দা, ‘‘নুং শিবী ঐগী ইম্ফালদা’’, গঙ্গা শাবদা -১৯৯০, ১৯৯১ দা শান্নখিবা ‘‘ঐখোয়গী ভারত’’ হায়রিবা শুমাং লিলাদা থম্বাল কৌবী অমগী কেরেক্টরদা শক্তম লাংবদা, ‘‘শাজিক থাবাগী ৱাকৎ’’ তা থাবাগী শক্তম লাংবদা -১৯৯৩, ‘‘চৈথোং অমগী চৈনা’’-১৯৯৪, ‘‘মাপোক লাং লোন অমাদা’’-১৯৯৫, ‘‘সং সারসি কনাগীনো’’-১৯৯৬, লভ ২০০০-২০০০, দা বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দশিংগা লোয়ননা ‘‘রেস্তাফেন’’ দা অনীশুবা বেষ্ট অমদি ‘লৈকং থম্বাল’’ অমদি ‘‘থৱায়গী থৱায়’’ দা অনীশুবা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেসকী মনাসু ফং খ্রে।



শক্লাইরবা অসি লিলারোই অমা ওইবতা নত্তনা ডাইরেক্টর অমা ওইনসু লিলা ১ /২ দা খুৎ থাখ্রে অমদি ২০১৬ দা মহাক্লা ডাইরেক্সন পীখিবা ‘‘ৱারি লোইদ্রি’’ হায়রিবা লিলা অসিদা অনীশুবা বেষ্ট ডাইরেক্সন গী এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রে। লোইশিল্লকপদা হিজম ইরবত মনা, কেতাউন এৱার্দ, পিদৌ এৱার্দ নচিংবা ফংলবা শক্লাইরবা অসিনা মাই পাকপগী অরোনবা মরম অমা হায়বা তারগদি দিসিপ্লিন লৈনা চৎপননি হায়না ফোঙদোরকখি। মহাক্লা মখা তারদুনা ‘‘মাই পাকপা কলাকার অমা ওইগে খনলগদি সিসিপ্লিন লৈবা তঙাই ফাদে ! মশাগী পোকপদগী লোইনজরক্লবা প্রটিভাসু দারকার ওই, অদুবু হোৎনবা কনবা কখোকপা ঙম্বগা লোয়ননা লম অসিদা চংশিনবা তারগদি শুকশোই শোইদনা পান দমদু ফংবা ঙমগনি হায়না পাউচে অসিদা অখন্নবা উন্নজরুবদা ফোঙদোরক্লি !

## ঐচ রাজেসে

# ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ

## ত্রাউ ক্লাকৈথেল অমদি শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনননা শীন্দুনা টিম ১১না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ৬৭শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা ফেস নোক আউত রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ৬৯শুবা মেটচতা ত্রাউ ক্লাকৈথেলনা এসএসয়ু শিংজমৈবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিগী গোলশিং অদু ত্রাউ ক্লাকৈথেলগীনা সহাবাস অমদি এনজি নাওচানা চনখি।

এসএসয়ু শিংজমৈগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ও অজয়না চনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটশিংদা টিম অনীমক্লা অঙনবা গোল চন্নবগীদমক মাগী-মাগী এটেক্টিং এরিয়াশিংদা এটেক্ট চখনখি।

মেটচ অসিদা এসএসয়ু শিংজমৈগী জর্সি নম্বর ১৯ ও অজয়না মিনট ১৬ চৎপদা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনখি। অদুবু এসএসয়ুগী মাং জিল থারিবা গোল অসি থংনবা মিনট ১৭তা ত্রাউ ক্লাকৈথেলগী জর্সি নম্বর ৫ মহাবাসনা গোল হন্দোক্কুনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং পেলহনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক্লা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবনা ১-১ দা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ত্রাউ ক্লাকৈথেলনা বোল হেন্না পায়দুনা এসএসয়ু শিংজমৈগী মাইকৈদা এটেক্ট কয়া চখদুনা টিম অসিগী কিপরবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখি। মেটচ অসিগী মিনট ৬৮তা ত্রাউনা হোৎনবা লেপ্তুনা চখখিবা এটেক্টশিং অদুগী মহৈ ফঙলদুনা জর্সি নম্বর ১১ এনজি নাওচানা ত্রাউগী অনীশুবা গোল চনদুনা মেটচ অসি ত্রাউনা অমুক মাং জিল থাখি।

মেটচ অসিগী মখা তারকপা মিনটশিংদা এসএসয়ুনা গোল হন্দাক্লবা শান্নরবসু গোলদা ওম্থোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসিগী মিনট লোইবা ফাওবদা গোল ২-১ দা লৈদুনা মেটচ অসি মায়থিবা নঙখিবনি।

মেটচ অসিদা এসএসয়ুগী জর্সি নম্বর ২ রোজিসকীদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি কেঐচ ইবুংঙো, এল সনাতোম্বা, এমদি লাটিপ অমদি ৱাই সমরজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী ৭০শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এআইএম খাবম লমখায়বু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী গোলশিং অদু কেঐচ তাজৌদিন অমদি এলমিন হাওকিল্লোংনা চনখি।

মেটচ অসিদা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এআইএম খাবম লমখায়গী শান্নরোইশিংবু দিফেন্স খক্তমক্তা মথৌ তৌহনখি। অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্লা অকনবা লম্বা তৌনদুনা গোল চন্নবা হোৎনরবসু টিম অনীমক্কী দিফেন্দরশিংনা হৈ-শিংনা শান্নদুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদি টিম অনীমক্লা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী অঙনবা মিনট ৪৭দা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ২৫ কেঐচ তাজুদিননা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মাংজিল থাখি।

গোল চল্লবা মতুংদা শোখনা লৈরিবা গোলবু হন্দোক্লবগীদমক এআইএম খাবম লমখায়গী শান্নরোইশিংনা শোখবা তৌদনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মাইকৈদা এটেক্ট কয়ারক চখরবসু টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা এটেক্টশিং অদু ঙাকথোক্কুনা গোলদা ওম্থোকহনখিদে। মেটচ অসিগী মিনট লোইরমদাই ৮৬ তা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এআইএম খাবম লমখায়গী দিফেন্দরগী অশোইবা তাঞ্জা লৌদুনা জর্সি নম্বর ১৩ এলমিন হাওকিলোংনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অনীশুবা গোল চনদুনা পুক্লিং লুমনা মেটচ অসি শান্নখি।

মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা এআইএমনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি ২-১ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা এআইএমগী জর্সি নম্বর ১৯ লোয়াঙম্বদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি সুরেস, ৱাই হেমন্ত, তোম্বী অমদি ওনিলনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

## দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা পি টিলোতামা মেমোরিয়েল ত্রোফি (১৬) দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পিএসজি কলিনাগর টিম অমদি কেএসসি রানিভেং টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক্লা গোল ৪-৪ চান্দুনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা কেএসসি রানিভেং টিমগী শান্নরোই লুমপিনা অহানবা মিনটতা গোল অমা অমদি সৈদাবিদনা ১৪শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা কেএসসি রানিভেং টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। মখাতানা পিএসজি কলিনাগর টিমগী শান্নরোই লিনমিনথাং না ২৫শুবা মিনটতা অমদি জোসেফনা ৩৮শুবা মিনটতা গোল অনী অমুক চন্দুনা টিম অনীমক্লা গোল ২-২ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা কেএসসি রানিভেং টিমগী শান্নরোই মংবোইনা ৪৫শুবা মিনটতা অমদি মিনথাং না ৫২শুবা মিনটতা গোল অনী চনখি। অদুগা পিএসজি কলিনাগর টিমগী শান্নরোই এমেজিংনা ৫৪শুবা মিনটতা অমদি লালচুনমোয়ানা ৬৪শুবা মিনটতা গোল অনী চনদুনা টিম অনীনা পাইবা মতমদা মখাতানা গোল চানবা ঙম্নদবদগী গোল ৪-৪ দা দ্রো চৎখিবনি।

রেফরিনা কেএসসি রানিভেং টিমগী শান্নরোই লুমপিবু ১৮শুবা মিনটতা অমদি পিএসজি কলিনাগর টিমগী শান্নরোই জেনসনবু ৫৩শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখরকপা মেটচ ওইনা মথং চহি জনুৱারি তাং ৪দা এফসি কগালুং, ন্যু অলিপুরগী মায়োক্তা পিএসজি কলিনাগর টিম অনীনা শান্নরগনি।

## এল সঙ্গিতা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তাবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বিএমএসসি গ্রাউন্দা থা অসিগী ২০ দগী টিম ৮ না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্কুনা চখরক্লিবা ২৫শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এসসিকে কোদোম্পোকপী অমদি সিকো লৌরেম্বম লৈকায় দ্রো চৎখ্রে।



অতোপ্পা মেটচ অমদনা সিআরপিএফ লাংজিংনা থাউ থাংমৈবন্দবু মায়থিবা পীখ্রে।

লীগ অসিগী গ্রুপ-এগী মঙাশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দা এসসিকে কোদোম্পোকপী অমদি সিকো লৌরেম্বম লৈকায় গোল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ২ দা এসসিকে কোদোম্পোকপীগী জর্সি নম্বর ৮ ও অসিসনা চনখিবা গোল অসিনা মাংজিল থানা চৎখি।

অহানবা গোল অসিগী মিনট ৭ কান্নরবা মতুং মিনট ৯ সিকো লৌরেম্বম লৈকায়গী জর্সি নম্বর ১৬ পি রোনেন্দ্রোনা গোল হন্দাক্কুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা য়াওশিল্লকখি।

অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্লা অকনবা লম্বা তৌনদুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরবসু টিম অনীমক্কী দিফেন্দরশিংনা হৈ-শিংনা শান্নদুনা অহেনবা গোলদি হাপচিনবা ঙমহদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা শরুক্তা সিকো লৌরেম্বম লৈকায়না বোল হেন্না পায়দুনা লাকশিন্না শান্নরক্কুনা এসসিকে গী মাইকৈদা এটেক্ট কয়া চখরকখি।

এটেক্টশিং অদুগী মহৈ ফঙদুনা মিনট ৪১ দা জর্সি নম্বর ১০ একে ইবোমচানা সিকোগী অনীশুবা গোল চনদুনা মাংজিল থাখি। মখা তারকপা মিনটশিংদসু সিকোনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা শান্নরক্কুনা মিনট ৫৭দা একে ইবোমচানা মহাক্কী অমদি টিমগীনা গোল চনদুনা ৩-১ দা মাংজিল থাখি।

মেটচ অসিগী লোইরমদাই মিনটশিংদা এসসিকেনা বোল পোসিসন হেঞ্জিল্লক্কুনা সিকোগী মাইকৈদা প্রেসর কয়া পীশিন্দুনা মিনট ৭০ দা এসসিকেগী জর্সি নম্বর ৯ এম গান্ধিনা গোল হন্দোক্কুনা ২-১ দা লৈখি।

অপীবা মতম ৭০ প্লস ৩ দা এম গান্ধিনা বোক্স মপালদগী বোল্লিদা কাউশিনখিবা বোল অদু নেট মনুং দা চঙহনদুনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল চনদুনা মেটচ অসি মাইথিগদবদগী এম গান্ধিগী গোলশিংনা কলহৌখি। মেটচ অসিদা এসসিকেগী কুমারজিৎ, কে জোন্সন অমদি সিকোগী এদিসনদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী গ্রুপ-এগী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা সিআরপিএফ লাংজিংনা থাউ থাংমৈবন্দবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি।

মাইপাক্লবা সিআরপিএফ লাংজিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ জরসি কোমনা মিনট ১,৭ অমদি ৩৭ দা গোল অহুম অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ হিমিলাননা মিনট ৪০ দা গোল অমা চনখি।

মাইথিরবা থাউ থাংমৈবন্দগী গোলশিং অদুনা আউল গোলদা জর্সি নম্বর ২ এ বসুমান্ত্রিনা মিনট ১৯ অমদি জর্সি নম্বর ১১ টি চিঙ্খেনা মিনট ৬১ চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মাইপাক্লবা সিআরপিএফকী জর্সি নম্বর ১৮ টিঐচ সুরজিৎতা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## বিষ্ণুপুর সুপর দিভিজন, ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১২দগী টিম ৭না শরুক য়াদুনা চখরক্লিবা অনীশুবা এল ইবোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ১৬শুবা মেটচতা এফসি মোইরাংনা ক্রকপু নম্বোলবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা এফসি মোইরাংনা মাই পাক্লবগীদমক থৌনা লৈনা শান্নদুনা ক্রকপু নম্বোলগী মাইকৈদা এটেক্ট কয়া চখরক্কুনা মথৌ চিলহনখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১১ দা এফসি মোইরাংদগী জর্সি নম্বর ১০ জোন্সননা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা মাংজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী মিনট লোইরমদাই ৩১দা জর্সি নম্বর ১১ লৈবাকচাওনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা মোইরাংদা ২-০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এফসি মোইরাংনা বোল হেন্না পায়দুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা শান্নরক্কুনা মিনট ৪৮তা জর্সি নম্বর ১০ জোন্সননা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনদুনা ৩-০ দা মাংজিল থাখি।

মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা ক্রকপুনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদদুনা ৩-০ দা মায়থিবা নঙখি।

হয়েংগী মেটচতা অমোফা মোইরাং অমদি সাই এসএজিনা নুংথিল পুং ১২.১৫ দা শান্নরগনি।

মিনি ষ্টেদিয়ম অসিদা টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৫ দগী চখরক্লিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মোমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-,গী মেটচতা এমসি ৱাইদব্লিউও নুংঙাই চিরুনা এলৱাইভিও চোথেবু ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা টিন অনিমক্লা অহানবা হাল্ফতা গোল অমত্তা চান্নবা ঙমদদুনা ০-০ দা লৈন্নখি।

মাই পাক্লবা এনসিৱাইদব্লিউও নুংঙাই চিরুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ আর জিনলেননা মিনট ৩৮তা চনখি।

লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা য়ুকেসিসিএল ওইনাম অমদি অমোফা (এ) মোইরাংনা নুংথিল পুং ৩ তাবাদা শান্নরগনি।

মিনি ষ্টেদিয়ম অসিদা থা অসিগী ২৫ দগী টিম ১২না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্কুনা চখরক্লিবা ১৩শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সভেন -দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-এগী মেটচতা য়ুৱাইদিসি উৎপোকপীনা সিভা নারা সেনাবু গোল ২-০দা মায়থিবা পীখ্রে

মেযচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ুৱাইদিসি উৎপোকপীগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ৪৭তা জর্সি নম্বর ৯ থৈনাওনা চনখিবা গোল অসিনা অহানবা হাল্ফ ফাওবা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুৱাইদিসিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা শান্নদুনা মিনট ৪৫তা জর্সি নম্বর ১১ প্রেমনা য়ুৱাইদিসিগী অনীশুবা গোল অদু চনখি।

শোখরিবা গোল হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অসিদা সিভা য়ুৱাইদিসিগী মখুৎতা ২-০ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ুৱাইদিসিগী জর্সি নম্বর ২৩ অজয়দা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা লোক্তাক এফসি প্রোজেক্ট অমদি ৱাইএসসি বিষ্ণুপুরনা অয়ুক পুং ৮দা গ্রুপ-এগী মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com